# মহারাষ্ট্রদা মিনিষ্টর ৩৫ হাপচিন্দুনা উধব থাকরেগী মিনিষ্ট্রি চাওথোকহনখ্রে



মুম্বাই, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী): মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাকরেনা ঙসি অনৌবা মিনিষ্টর ৩৬ হাপচিন্দুনা মিনিষ্ট্রি চাওথোকহনখ্রে।

নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)গী লুচিংবা অজিত পাৱরবু দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা মশাগী চহী ২৯ শুবদা ঙাইরিবা উধবকী মচানুপা অদিত্যবুসু মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি। সাউথ মুম্বাইগী বিধান ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা গভর্ণর ভগত সিংহ কোসয়ারিনা এন সি পিগী মিনিষ্টর ১৪, কোংগ্রেসকী ১০ অমসুং সিব সেনাগী ১২ থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

থা অমগী মমাঙদা থাকরেনা লুচিংবা মহারাষ্ট্র বিকাস অঘাদি (এম ভি এ) লৈঙাক লাকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্ট্রি চাওথোকহনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক পুন্না মিনিষ্টর ৪৩ লৈরে। ঙসি ৱাশক লৌখিবশিংগী মনুংদা এন সি পিগী ওইনা কেবিনেট মিনিষ্টর ১০ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ৪; সিব সেনাগী কেবিনেট মিনিষ্টর ৮ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ৪ লোয়ননা কোংগ্রেসকী কেবিনেট মিনিষ্টর ৮ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ২ য়াওখি।

মহারাষ্ট্রদা হৌজিক এন সি পিগী কেবিনেট মিনিষ্টর ১২ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ৪; সিব সেনাগী কেবিনেট মিনিষ্টর ১০ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ৪ লোয়ননা কোংগ্রেসকী কেবিনেট মিনিষ্টর ১০ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ২ লৈরে।

অজিত পাৱরবু ঙসি দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসোক চৱন অমদি যুব সেনাগী লুচিংবা আদিত্যা থাকরেবু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

থা অমগী মনুংদা পাৱরনা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবা হন্দক্না অনীরক শুবনি। নবেম্বর ২৩দা মহাক্না এন সি পিগী মায়োক্তা লেপখিবগা লোয়ননা বি জে পিগা খুৎশম্নখ্রবা মতুংদা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। অদুবু নবেম্বর ২৬তা মহাক্না ফম থাদোকখিবদগী নুমিৎ হুম্নি খক্তা ঙাইরিবা দেবেন্দ্র ফদনবিসকী লৈঙাক তুখি।

# ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা কা হেন্না ঈংবগী অৱাবা মায়োক্নরি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা কা হেন্না ঈংবগী অৱাবা মায়োক্নরি। স্রিনগরদা ঈংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি মাইনস ৬.৫ য়ৌদুনা খ্বাইদগী ঈংবা মফম ওইরে। জম্মুগী ওইনদি টেম্পরেচরগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২.৪দা হন্থরক্লে।


মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কুমজা ১৯৯৮গী মতুংদা খ্বাইদগী ঈংবা অহিং ওইখিবগা লোয়ননা জম্মুদা ঙরাং মিনিমম টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রি ০.৯ ওইখি। অয়ুক্তা কা হেন্না লৈচিল থাবা মরম্না জম্মু এয়রপোর্টতগী পায়গদবা ফ্লাইট পুম্নমক কেন্সেল তৌখি। এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসল অমনা হায়খি, উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপা মরম্না জম্মু এয়রপোর্টতগী অয়ুক অঙনবদা পায়গদবা ফ্লাইট মরিমক কেন্সেল তৌখি।

স্রিনগরগী ওইনা হৌখিবা অহিংদা মিনিমম টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রি মাইনস ৬.৫দা হন্থরক্তুনা খ্বাইদগী ঈংবা অহিং ওইখি। দাল লেক অমদি অতৈ ৱাটর বোদি পুম্নমক উন ওইনা ফমজিনখিবা মরম্না মফম কয়াদা মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নখি।

হরিয়ানা অমদি পঞ্জাবতসু কা হেন্না ঈংবগী অৱাবা মায়োক্নরি। ষ্টেট অনীমক্তা লৈচিল থাংবগা লোয়ননা উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকখি। পঞ্জাবকী ফরিদকোদতা মিনিমম টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রি ০.৭ওইদুনা খ্বাইদগী ঈংবা মফম ওইখি। পঞ্জাবকী ওইনা কা হেনবা মওংদা ঈংবগী অৱাবা মায়োক্নখিবা মফমশিংগী মনুংদা অম্রিটসর, লুধিয়ানা, পটিয়ালা অমসুং গুরদাসপুর য়াওরি।

হৌখিবা অহিংদা বথিন্দারগী টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রি ১.৫দা হন্থরক্তুনা খ্বাইদগী ঈংবা অহিং ওইখি। পথান কোটকীসু সেলসিয়স দিগ্রি ৩.৪গী চাংদা টেম্পরেচর হন্থরক্লে হায়না আই এম দিনা ফোঙদোকখি। ষ্টেট অনীমক্কী কোনুং ওইরিবা চান্দিগরগী টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রি ৩.৫ ওইদুনা কা হেন্না ঈংশিল্লক্লে।

# স্রিনগরদা ওগষ্টতগী ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা পোলিটিকল লিদর ৫ থাদোকখ্রে



স্রিনগর, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেটস লৌথোক্লমদাইদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ফাজিনখিবা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল লিদর ৫ থাদোকখ্রে। অদুম ওইনমক কাশ্মিরদা খ্বাইদগী মশক নাইবা লুচিংবনি হায়না লৌনরিবা মীওই অহুম - নেসনল কনফরেন্সকী প্রসিদেন্ট ফরুক অব্দুলা, মহাক্কী মচানুপা ওমার অব্দুলা অমসুং পিপলস দেম্মক্রেটিক পার্টিগী লুচিংবী মেহবুবা মুফতিদি মখা তানা অদুমক ফাজিন্দুনা থম্লি।

সেন্টরনা লুচিংবশিং অসি করম্বা মতমদা থাদোক্কদগে হায়বা চপ চানা লাউথোকপা লৈত্রি। য়াম্না থাজদবা মওংদা সেন্টরনা থা ৫ রোম এম এল এ হোষ্টেলদগী হেন্দোকহন্দনা থম্লকখিবা হান্নগী লেজিসলেটর ৫ থাদোকখি। থাদোক্লবশিং অদুদি - ইসফাক জাবর, গুলাম নবি ভাত, বাসির মির, জাহুর মির অমসুং য়াসির রেসিনি। লুচিংবশিং অসি পিপলস দেম্মক্রেটিক পার্টি, নেসনল কনফরেন্স অমসুং কোংগ্রেসকী পোলিটিসিয়ন ঙাক্তনি।

পনবা য়াবদি, ওগষ্ট ৫দা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরগী এন দি এ লৈঙাক্না কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখিবনি। থৌরাং অদু লৌখৎলমদাইদা সেন্টরনা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল লিদর অয়াম্বা ফাজিন্দুনা থমখি।

গভর্ণরগী এদভাইজর ফরুক খাননা হায়খি মদুদি পোলিটিকেল লিদরশিং অসি ফাজিন্দুনা থম্লকপা মরম্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিলহনবা ঙম্বনি। য়ুনাইদেট নেসন্সনদি ৱাফম অসিদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

য়ু এন হায় কম্মিসন ফোর হ্যুমেন রাইটসকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কাশ্মিরদা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা অথুবা মতমদা পোলিটিকেল লিদর পুম্নমক থাদোক্কদবনি।

# আইরলেন্দগী পি এম কোইরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদগী হৌখিবা আইরলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর লিও ভারতকরনা ঙসি পোক্লফম লমদম ওইরিবা মহারাষ্ট্রগী সিন্ধুদুর্গ দিষ্ট্রিক্তা কোইরকখ্রে।

পোক্লফম খুঙ্গংদা থুংলরবা মতুংদা ভারতকরনা ইমুং মনুংগী মরু ওইবা তাইবঙ মপুনি হায়না লৌনরিবা কুলদেবতাদা খুরুমখি। লিওনা ঙসি মচননুপী অমসুং মরুম মপাংশিংগা লোয়ননা মহারাষ্ট্রদা কোইরকখিবনি। মখোয়না সিন্ধুদুর্গতা হেক থুংবগা খুঞ্জাশিংনা তরাম্না ওকখি। লিও ভারতকরগী অপোকপা অসোক ভারতকর মহারাষ্ট্রদগী হৌখিবনি। কুমজা ১৯৬০দা মহাক নেসনল হেল্থ সার্ভিসকী থবক তৌনবা বৃটেনদা চৎখি। মফমদুদা অসোক ভারতকরনা ময়ুম মকৈ পান্দুনা মতম খরা লৈরম্লগা আইরলেন্দনা ময়ুম হোংখি। মহাক্কী মচানুপা অতোনবা লিও ভারতকরনা আইরলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবনি।

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ/ লোক কংখু খুবা, খোঙ-খূৎ শিথবা, মসল নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা, হকচাং চোকথবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা ফহনবগী ওজা MV. Qayamuddin বু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা এজমানা য়াম্না কন্না নাদুনা থবক অৱাবা শূবা ঙমদবা, চৎপদা য়াম্না ৱাবা, থবক অৱাবা শূরুরগা শদৌ থোংবা, চুরুট-বিড়ি শীজিন্নরগা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, লোক কংখু খুবা, খোঙ-খূৎ শিথবা, মসল নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা, হকচাং চোকথবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, শা-ঙা চারগা হকচাং য়াম্না মরেং-মরেং চৎপা, খাঙবা ঙমদবা তৌরম্বা অদু MV. Qayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027, 8837496469 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Qayamuddin বু মতম চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, লোয়ননা মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

থাগৎচরিবী : Khaidem (O) Memton Devi, Luwangsangbam

HL-P/5414/31

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ/ওজা অবদুল কবিরাজপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী অৱাবা খাঙদুনা চহী ৪ লৈরকখি। লায়নাগী লাইওংশিংদি খোঙ হাম্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, অমাংথোঙদা হাকৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পুক খোংবা, খ্বাং নাবা, থবাক ফুনবনি। মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপূং ফানা ফজরে, অনাবা অৱাবা অমত্তা লৈত্রে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

HL-P/5437/31 থাগৎচরিবা : Y. Prakash, Bashikhong

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref :- Mut. Case No. 1027/SDC/IW -L/2019**

1) Moirangthem Chaoba Singh S/o (L) Temba Singh of Lamdeng Khunou, Lamsang (.28 acre)
2) -do- Rajen Singh S/o (L) Temba Singh of Lamsang
3) -do- (o) Sunita Devi W/o Rajen Singh of -do- (.25 acre 2&3)
...Petitioners

-Vs-

(Late) Moirangthem Temba Singh S/o (L) Modhu Singh of Lamsang ...O.P.Party

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE

The 30/12/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার মোইরাংথেম তোম্বা সিংহ, পীং মৃ: মোধু সিংহ সাং লমশাংগী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৫৩ - লমশাংগী অনৌবা পাট্টা নং ২১৩, দাগ নং ২৫৪/৩৪২ অমসুং এরিয়ানা .৫৩ অসি দংকারি নং ১না .২৮ অমসুং দংকারি নং ২ অমসুং ৩না .২৫ পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথ্খজরগনি।

HL-P/5825/31 Sd/- BC to SDC/Lamsang

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 1843/SDC/NBL of 2019**

1. Amakcham Bijando Meitei, S/o (L) A. Sanajaoba Meitei of Naorem
2. -do- (O) Ibecha Devi, W/o A. Bijando Meitei of -do- -Petitioners

-Vrs-

(L) Amakcham Deba Singh, S/o (L) A. Sanajaoba Singh of Naorem -O.P.

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE

Dt. 30/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22-Naorem, Patta No. 823 (New), Dag No. 1043/1998, Area 0.15 acre of Ingkhol Class হায়রিব ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি নং (১) (২) মখোয়গী মমিংদা ইংখোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/5829/31 Sd/- S. Dhiren Singh, Sub-Deputy Collector, Nambol

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 1838/SDC/NBL of 2019**

Noarem Biren Singh, S/o N. Jarma Singh of Naorem Awang Leikai -Petitioner

-Vrs-

(L) Naorem Tomcha Singh, S/o (L) Tomba Singh of Naorem -O.P.

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTICE

Dt. 30/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22-Naorem, Patta No. 320 (New), Dag No. 1004, Area 0.98 acre of Taothabi Class হায়রিব লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/5829/31 Sd/- S. Dhiren Singh, Sub-Deputy Collector, Nambol

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 30th December, 2019**

**No.Prop/SR/IW/2019:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "The Awang Khunou Youth Welfare Association" on 27th Dec. 2019 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Awang Khunou"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- P. Memi Devi
HL-P/4554/31,1 Deputy Registrar of Societies, Imphal West

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ/খ্বাং নাবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা-নাবা, শয়েং নাবা, হাইদোক-হাইজিন তৌবদা ৱাবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা মরক মরক্তা চিংলকপা, খূৎশাশিং ইপোমতা পোম্লগা নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, চাবা তুমদবা, থবাক নাবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা খ্বাং নাবা, খ্বাং নাবনা মরম ওইদুনা থবক কুইনা শূবা ঙমদবা, ফম্লরগা ফুক লাওনা হৌগৎপা ঙমদবা, খ্বাং নাবনা মরম ওইদুনা য়াংলেন শরূদা চেল্ল-চেল্লগা চিকপা-নাবা, শয়েং নাবা, হাইদোক-হাইজিন তৌবদা ৱাবা, য়েৎকী খোঙ নাম্মা মরক-মরক্তা চিংলকপা অদুগা অমুক ফখিবা, খূৎশাশিং ইপোমতা পোম্লগা পোৎ অমা পায়বা মতমদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা ইপংতা পংশিল্লগা য়াম্না নুংঙাইতবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, ওনীং-ওনীং তৌরগা লৈবা, চাকখাও শোকপা, চাকখাও শোকপা অদু চাকখাওগী হীদাক চারবসু ফত্তবা, ফন্বী শোনবা, ফন্বী কংবা, খোঙয়া শাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা তুমদবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, চাবা-থকপা য়াদবা, চাশিল্লগসু হকচাংদা মচি ওইদবা, করিমতা শূনীং-চৎনীংবা পোক্তবা, পোত্থারগতা লৈনীংবা, নোংম-নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323/ 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5344/31 থাগৎচরিবা : H. Santosh Singh, Heingang

**TODAY** ꯍꯧꯁꯤ ꯕꯝꯄꯔ ꯗ꯭ꯔꯣ **HOUSIE BUMPER DRAW** **TODAY**

Chahigi Aroiba Dao Yengbiyu Ngana Sanajagani

Date | Time : 31st December 2019 | 5 p.m

in aid of Annual fund Drive
Image Charitable Trust
Regd.1149 of 2012

Ticket Rate Rs.1500/-

**MINI BUMPER**
TICKET RATE - Rs.500/-




| | |
|---|---|
| 1st Quick Five Rs. 6,000/- | 2nd Quick Five Rs. 4,000/- |
| 1st Line Rs. 6,000/- | 2nd 1st Line Rs. 4,000/- |
| 1st 2nd Line Rs. 6,000/- | 2nd 2nd Line Rs. 4,000/- |
| 1st 3rd Line Rs. 6,000/- | 2nd 3rd Line Rs. 4,000/- |
| 1st Star Rs. 6,000/- | 2nd Star Rs. 4,000/- |

**2ND MINI BUMPER**
Ticket Rate Rs.150/-
Housefull - Rs.30,000/-

1ST HOUSEFULL 2 LAKHS
2ND HOUSEFULL 1 LAKHS
3RD HOUSEFULL 1 LAKHS
4TH HOUSEFULL 1 LAKHS

VENUE: NSK WANGKHEI KEITHEL ASANGBI

HL-P/5832/31

**ADVANCED COACHING INSTITUTE**

REVISION COURSE FOR CLASS X AND XII (SCIENCE & ARTS) —23RD Dec.2019

ꯊꯥꯒꯠꯂꯦ

2019 BOSEM TOPPERS



2ND POSITION ASEM SOPHIYA · 7TH POSITION W. NINGTHEM · 7TH POSITION W. SANAMATUM · 8TH POSITION U. ADHITYA · 15TH POSITION REHAN YUMNAM · 22ND POSITION ROSHAN KH. · 23RD POSITION RICKY KHAIDEM · 23RD POSITION SOIBAM DAINA · 24TH POSITION LAMJINGBA · CBSE ANOUBAM SNEHA CBSE (X) 95.5%

Vacation Course Of 20 Days, class 6 — 12

2019 COHSEM SCIENCE TOPPERS · 2019 COHSEM ARTS TOPPERS



4TH POSITION ROBINSON · 6TH POSITION SHAHA MINHAZ · 8TH POSITION ANJU ANAND · 9TH POSITION THOUNGAMBA · 16TH POSITION SAMANANDA · 5TH POSITION KH. SHARMELI · 5TH POSITION H. BERON · 6TH POSITION LINTHOINGAMBI · 10TH POSITION L. BRINDASHI

FOUNDATION COURSE
CLASS 6 -12
3rd Jan. '20
SEPARATE HOSTEL BOYS' & GIRLS'

RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
➢ BASE ON BOSEM, COHSEM & CBSE EXAM PATTERN SYSTEM
➢ TO SCORE HIGH MARK AND QUESTION ANALYSIS OF PREVIOUS YRS

TIME
04.40 — 7.40 A.M
10.00 — 4.00 P.M
04.30 — 7.50 P.M

THE 5TH PRELIMINARY SAMPLE OF HSLC & COHSEM EXAM '20

CLASS X

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| MATHS | 19/01/'20 |
| SCIENCE | 26/01/'20 |
| ENGLISH | 30/01/'20 |
| SOCIAL SC. | 02/02/'20 |

CLASS XII

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| MATHS | 19/01/'20 |
| PHYSICS | 26/01/'20 |
| CHEM | 30/01/'20 |
| BIOLOGY | 02/02/'20 |

CASE PRIZE OF 2 LAKHS & SCHOLARSHIP OF ONE YEAR WITH MOMENTO WITH CERTIFICATE

LAST DATE OF FORM SUBMMISSSION WILL BE ON OR BEFORE 10 JANUARY '20. FORMS ARE AVAILABLE IN THE OFFICE.

NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION · FOR QUARY : 9862992105

HL-B/5891/31Dec. 2019 to 31 dec. 2020

CIN NO. U40101MN2013SGC008344

**MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED**
*Keishampat Junction, Imphal – 795001*

Corporate Office:- Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, INDIA

Fax : +91 385 2450702
Tele: +91 385 2450050

## NOTIFICATION

Imphal, the 28th December, 2019

No. 4/1(2)/Apptt(C&D)/MD-MSPCL/2019: / 3587 In continuation of this office notification of even number dated 21/08/2019, it is hereby notified for general information of all intending and eligible candidates that the Written Examination for Direct Recruitment for various Group C and D posts in Manipur State Power Company Limited (MSPCL) which was put on hold is now re-scheduled w.e.f 5th January, 2020 to 12th January, 2020 as per programme given below:-

| Sl. No | Date of Examination | Forenoon 9:30 AM to 12:00 PM | Afternoon 1:30 PM to 4:00 PM |
|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) |
| 1 | 05-01-2020 | Junior System Assistant/Office Assistant/Watchman cum Cleaning Assistant | X |
| 2 | 09-01-2020 | X | Computer Operator |
| 3 | 10-01-2020 | Control Room Assistant | Driver |
| 4 | 12-01-2020 | X | Junior Establishment Assistant/Assistant Store Keeper |

2. There will be a Driving Test, Typing speed test, Basic Computer proficiency test for the posts of "Driver", "Junior Establishment Assistant" and "Computer Operator" respectively for those candidates who clear the written examinations. The date of the tests will be notified later.
3. Venue of the Examination Centres along with the Roll Numbers are listed at Annexure-I
4. This Notification along with the "**Instructions to Candidate**" is uploaded in the Government of Manipur website www.manipur.gov.in and the Company website www.mspcl.in for general information.

Annexure-I

Annexure to Notification No. 4/1(2)/Apptt(C&D)/MD-MSPCL/2019/ 3587 dated 28th December 2019

**Centre-Wise Allotment of Roll Numbers in respect of Written Examination to be commenced from 05/01/2020 for Recruitment of Group-C (Computer Operator/Control Room Assistant/Driver/Junior Establishment Assistant/Assistant Store Keeper) & Group-D (Junior System Assistant/Office Assistant/Watchman Cum Cleaning Assistant) in Manipur State Power Company Limited (MSPCL)**

| Sl. No. | Centre | *JSA/WCCA/OA Roll No. | *CO Roll No. | *CRA Roll No. | DRIVER Roll No. | *JEA/ASK Roll No. |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | DM College of Arts | 0001-0759 | 0001-0754 | | | |
| 2 | DM College of Science | 0760-1410 | 0755-1412 | | | |
| 3 | DM College of Teacher Education | 1411-1818 | | | | 5344-5465 |
| 4 | Imphal Valley Academy, Changangei | 1819-2529 | | | | |
| 5 | Johnstone Hr. Sec. School | 2530-3187 | 1413-2066 | | | 4683-5343 |
| 6 | C.C. Hr. Secondary School | 3188-3795 | | | | 4077-4682 |
| 7 | Oriental College | 3796-4049 | | | | 3824-4076 |
| 8 | Imphal College | 4050-4658 | | | | 3217-3823 |
| 9 | Millennium School of Science | 4659-4966 | | | | 2914-3216 |
| 10 | Wangkhei High School | 4967-5320 | | | | 2563-2913 |
| 11 | Extra Edge Academy, Ghari | 5321-5725 | | | | 2161-2562 |
| 12 | G.P. Women's College | 5726-6380 | | | | 1510-2160 |
| 13 | Lamlong Hr. Sec. School | 6381-6787 | 2067-2471 | | | 1106-1509 |
| 14 | Model Hr. Sec. School | 6788-7289 | 2472-2932 | | | 0603-1105 |
| 15 | Ibotonsana Girls' Hr. Sec. School | 7290-7872 | | 0001-0379 | 0001-0125 | 0001-0602 |

*JSA : Junior System Assistant; * CO : Computer Operator; * JEA : Junior Establishment Assistant; *ASK : Assistant Store Keeper; *WCCA : Watchman Cum Cleaning Assistant; *CRA : Control Room Assistant; *OA : Office Assistant

Sd/- N. Sarat Singh
Managing Director, MSPCL

HL-B/5930/dec 31, Jan1